ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯦ ꯲꯹, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯶꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশ, মে ২৯, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৬১শুবা মশীং

# নরেন্দ্র মোদিগী অনীশুবা লৈঙাক

## হোংলক্লিবা মালেমগী অওনবদা লৈঙাক্না থেংনগদবা খুদোংচাদবশিং

লোক সভাগী মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ) না নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা মায় পাকখিবগা লোয়নন্না নরেন্দ্র মোদিবু হয়েং অনীরকশুবা টর্মগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৰাশক লৌরগনি। শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা য়াওগদবা অতে মীওইশিং ৰাশক লৌরগনি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মোদিবু এন দি এ পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবগা লোয়নন্না লৈঙাক শেম্নবগী মতাংদা ক্লেম তৌখিবনি। কন্সটিট্যুসন্না পীবা মতিক-ময়াই শীজিন্নরগা প্রসিদেন্টনা এন দি এ পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবা মোদিবু প্রাইম মিনিষ্টর-ইলেক্ট ওইনা খনখিবগা লোয়নন্না কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসতা য়াওগদবা মীওইশিং অমসুং ৰাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খঙহল্লক্নবা য়াথং পীখি। মমাঙদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা লুচিংবা এন দি এগী মীহুৎ কাঙবু অমনা রাষ্ট্রপতি ভবন্দা চৎতুনা প্রসিদেন্ট উনরগা মোদিবু এন দি এ পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবা খল্লে হায়না অইবা চেরোল অমা পীশিনখি। পরকাশ সিংহ বাদল, রাজনাথ সিংহ, নিটিশ কুমার, রাম বিলাস পাসৱান, সুসমা স্বরাজ, উধব থাক্রে, নিটিন গদকারি, কে পলানিস্বামি, কোনরেদ শংমা অমদি নৈফিয়ু রিওসু য়াওখিবা মীহুৎ কাঙবু অদুনা নরেন্দ্র মোদিদা এন দি এগী মপাং ওইরিবা পার্টি খুদিংমক্না শৌগৎলে হায়বগী চেরোলসু প্রসিদেন্টতা পীশিনখি। পূন্না মেম্বর ৫৪৩ লৈবা লোক সভাদা বি জে পি মথন্তগী এম পি মশীং ৩০০ হেন্না লৈরি। লৈঙাক শেম্নবগী ক্লেম তৌবা লাকপদা নরেন্দ্র মোদিনা পাউমীশিংদা হায়খি, মীয়ামগা লোয়নন্না মীপূম খুদিংমক পূন্না চাওখৎমিন্নবা হায়বা ৰাখল্লোন্দা য়ূন্থম ওইরগা মীখলগী কেম্প্যেন চত্থখিবা মরম্না হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা সীট মশীং য়াম্না ফংদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। হৌজিক্তি প্রসিদেন্টনা নরেন্দ্র মোদিবু প্রাইম মিনিষ্টর-ইলেক্ট ওইনা খনখিবগা লোয়নন্না ৰাশক লৌনবগী মতম লেপখ্রবনিনা হয়েং নুমিদাং পুং ৭তা এন দি এগী অনীরকশুবা টর্মগী লৈঙাক ৰাশক লৌরগনি। রাষ্ট্রপতি ভবন্দা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা নরেন্দ্র মোদি অমদি কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসতা য়াওগদবা মীওইশিংবু থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৰাশক লৌরগনি।

মীয়াম্না শৌগৎপদগীবু ওইরবসু নৎত্রগা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নবদগীবু ওইরবসু মীখলদা মায় পাক্লবনিনা এন দি এগী অনীশুবা টর্মগী লৈঙাক অমা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলগনি হায়বসিদি নাখৈ শেংলে। হৌজিক খন্নবা য়ারিবা ৰাফমদি এন দি এ লৈঙাক্না থেংনরকপা য়াবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদনি। অখণ্ড-অহৈশিংনা ফোঙদোকখিবদা নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা এলায়ন্সকী পার্টনরশিং থেমজিনবদা থোইদোক্লা অৰাবা মায়োক্নরোই হায়রি। অদুম ওইনমক তোঙান তোঙানবা শেমদোক শাদোকপগী থৌরাং কয়া পায়খৎলুবদগী শেন্মীৎলোন্দা পীরক্লিবা চৈথেং, থবক ফংদবা মীগী চাং ৰাংখৎলকপা, থাওগী মমল ৰাঙখৎলকপা, শেদো বেঙ্কিং সেক্টরদা অশোয়বা লৈবদগী ফাইনান্সিয়ল কম্পনি কয়া তুখিবা অমসুং রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) দা ওটোনোমি পীবগী মতাংদা চাউনা শীংনবা মায়োক্নরকপা য়ানা লৈরি। অহানবা টর্মগী লৈঙাক মতমদা নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিনা শেমদোক-শাদোকপগী থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা শেন্মীৎলোন্দা চাউনা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনখি। মরুওইনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) চৎনহনখিবদগী ৱর্ল্ড বেঙ্কনা ইন্দিয়াবু লল্লোন-ইতিক তৌবদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা লৈবাকশিংগী রেঙ্কিংদা মফম ২৩ কাখৎহন্দুনা ৭৭শুবদা থমখি। অদুম ওইনমক হীরমসিদা এন দি এনা লৌখৎকদবা থৌরাং কয়ামরুম লৈরি। হৌখিবা দিসেম্বর থাদা য়াম্না থাজদবা মওংদা ঈ-কম্মর্সতা অথিংবা থন্নুবদগী ৱালমার্ট অমসুং এমাজোন্নচিংবা ফোরেন কম্পনিশিংগী থবক থৌরমদা অপনবা ওইখি। অতোপ্পা ৰাফম অমনা থবক ফংদ্রিবা লৈবাক অসিগী মীওই লাক্ষ কয়ামরুমদা মশাগা চান্নবা থবক অমমম ফংহন্নবগী মতাংদনি। নেসনল পেপর অমদা ফোঙলকখিবা লৈঙাক্কী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা হৌজিক থবক ফংদবগী চাং চাদা ৬.১ য়ৌরে। কুমজা ১৯৭০গী মতুং তারকপদা থবক ফংদবগী চাং খ্বাইদগী ৰাংবা মতমসি হৌজিকনি। মমাঙ চহীদা ইন্দিয়ন রেলৱেগী ফম ৬৩,০০০ লৌনবগী থবক কৌবদা মীওই মিল্লিয়ন ১৯না এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবদুদগী ইন্দিয়াদা থবক ফংদবা মীওই কয়া য়াম্না লৈরিবগে হায়বা অদুম্মক খঙবা য়ারে। অমরোমদা ইন্দিয়ানা মমাঙদা ইরান অমদি ভেনিজ্যুএলাদগী থাও লৈরম্বদুসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অথিংবা থমজিল্লকখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা থাওগী মমল ৰাঙখৎলকপা য়ানা লৈরি। ফাইনান্সিয়ল কম্পনি কয়া মুৎখিবা অমদি আর বি আইগী ওটোনোমিদা খূৎ থিংজিল্লুবগী মতাংদসু অচৌবা ৰাথোক অমা লৈরিবনি। হায়রিবা ৰাথোকশিং অসিগী মতাংদা এন দি এগী অনৌবা লৈঙাক্না করি করম্না থৌরাং লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ইপুধৌ পাখঙবগী শক্তম লাৎলসি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

পুৰারী হায়বসি অশেংবা অমদি শেংদবা অনীগী নীংশিংফমনি, তৌবতবু ইরগা থল্লবা নৎত্রগা চিন্থাং ৰাহে ওইনা শুথাং শুরোল ফাওবা লীনবা অসিনি। ঙসিগী মণিপুর অসিদা য়েলহৌমী কঞ্জনবা হোৎনরক্লিবসিগী অফবা মহয় লেম্না খক মাঙলোই। মরমদি ঐখোয়গী পুৰারী ময়েক শেংনা লৈজরি। মতম অমা মালেমগী অয়াম্বা শরুক্তা লৈবা মীওইবশিংগী চাওখৎপগী থাক মান্নরমদে, ঙসিসু অদুমক মান্নদবা কয়া লৈরি। মদুগী মরক্তা মণিপুরসু য়াওরি, হেন্না লাইবক থিবসি হৌখিবশিংদা অমুক্তং য়েংখৎমিন্নসি। মরুওইবশিংগী মরক্তগী খরদং লৌখৎচরবদা ১) শান্তিদাস গোসাইগী চিরোলদা নিংথৌনা য়াখিবা অমদি থবক ওইনা পাঙথোকখিবা। মদুদগী ঐখোয় হায়বসি পুনশিনবা ঙমদনা লৈখ্রে, ২) চহী ৭ খুন্তাকখিবা, ৩) বৃটিষ্টকী মীনাইগুম লৈখিবা মতম, ৪) ইন্দিয়াগী মনুংদা নমতিন তিনখিবা হায়রিবা চহী চা খরা অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৰাথোক কয়াগী মহয়দগী ইশাগী শক্তম মাঙখিবা য়াবা মতমফাও লৈখি। মরৈবাক মরমদম্বু থৱায়দগী হেন্না নুংশিনা খঞ্জখিবশিংনা তপ্না তপ্না হোৎরক্তুনা ঙসিগী ফীভমসি য়ৌরিবনি। অদুবু মণিপুর লৈবাকসিদা লাইনীং অমত্তং হায়বদুদি ওইখিদ্রে। মপুং ওইনা লাইনীং ৪/৫ খুন্দামিন্নরে, মসিসু মীওইবা অমা ওইনা চাওথোকচনিংঙাই ওইরি। অশেংবা য়েলহৌমী অমা ওইনা খ্বাইদগী শোলহৌরিবসি সনামহি চৎপসুনি। থমাইবা হায়বসি করিনো হায়বগী খুদম অমখক থমজগে। মীতৈশিংনা ইপুধৌ পাখঙবগী মহি ময়াই চেল্লবা ৰারীবু নীংশিংনবগী অহানবা ওইরিবা শক্তমবু মীতৈশিংগী থম্মোয়দগী মতম চুপ্পগী লাপথোকখিবা, য়েকপসি তৌহৈদে হায়দুনা খুদিংমক্না থিংলম্বগী মমিদু ঙসি ফাওবা তারি। অফবরোমদা পুথোক্লবদি য়াম্না ফজে, মমল নাইদনা থাক অমদা থম্বীবগী মওংনি। মদুমক্তি ওইরমদবনা ইপুধৌ পাখঙবগী শক্তম য়েকপা, খঙবা মীতৈ অমা ওইনা কয়াবু লৈরমগদগে। মসিবুনি থম্মাইরম্লে হায়রিবসি। অদুনা লাইনিংগী খেন্নবা থম্বীদনা ঙসিদি মণিপুরী ওইরিবা মালেমসিদা হিংলিবা খুদিংমক্না অহানবদা ইপুধৌ পাখঙবগী শক্তম য়েকপগা লোয়নন্না থম্মোয়দা নুংশিনা থম্বীয়ু লোয়নন্না ৰারীসু নৈনবিয়ু। শক্তম য়েকপদা ফত্তবা তৌহৈদবা অমত্তা লৈতে, লৈরোই । লৈরবসু মদু পুন্নমক্না ৰারী ইজরিবা ঐনা পুজগে। ইপুধৌগী শক্তমদি সাইওন য়াম্বনি, ওন্নিংবতা ওনবনি। ঙাকপী হৈবা, থৌজাল হৈবা পুন্নমকপু শেম্বী ইপুধৌনি। ইপুধৌ পাখঙবনা য়াইফরে, ঙসিদগী শক্তম য়েক্লসি।

*অদোমগী - সোভানদি নোংথোম্বম*
*তেরা কৈথেল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৬

১। মৈতৈ লৈবাক্তা থায়নদি মতম তাকপসি তানয়েবগী পূংশিংদা চৎলম্মী। মদু ঘড়ীগী পূং নত্তে। মদুবু মৈতৈ পূং হায়না খঙনৈ।
(ক) মিনিট কয়ারোম্না মৈতৈ পূং অমগা মান্নবগে?
(খ) য়ুথক অমা হায়বসিনা মৈতৈ পূং কয়ানা শাবগে?

২। "নমিৎ পাল্লি উদরে, নখূৎ পাল্লি পায়বা য়াদরে।" পরেং অসি মহাকবি অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শিদুনতা লৈরবা নঙনা/লানগী শাজেল অমুক তৌরিবা?" পরেং অনী অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নুংশিবা! নঙবু ঙাইবদা ঐ ৰারে। ঐ চৎলে কাছারদা ইমাগী মনাক্তা। করিগুম্বা নহাক্না হল্লক্লবদি... খোঙ্গুল লীবিরকউ।" পরেং অহুম অসিনা সনাতোম্বীগী ৰারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৰারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নোংমদোন অতিয়াদা ঙানবা থাজদি মায়হিং কায়দো, হিড়ম্বা লৈবাক অসিদা ঙাল্লিবা থাজ অসিদি মায়হিং কাদেদো।" অইবা কব্রম্বম নীলকান্তগী উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। মায়হিং কাদ্রিবা থাজসি কনাবুনো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হান্না মহাও তংখ্রবা অনৌবা লৈঙাক

চাইথোরকপা ৰাখল
**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

মে ৩০, ২০১৯ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পুৰারীদা কাউবা য়াদনা লৈহৌরগদবা নুমিৎ অমা শোয়দনা ওইরগনি। মরমদি নুমিৎ অসিদনি হান্না মহাও তংদুনা অখাবা-অয়াকপা-অথুম্বা-শিনবগী মহাও চপ চানা খঙখ্রবা বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমগী ৰাশক লৌগদবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসি মতম খরদি অঙাংশিংগী ক্যুইজ থৌরমদা অমদি কম্পিটিটিভ এগজামিনেসন খরদা ৰাহং ওইনা লৈখিগনি। কনা কনা নুমিৎসিদা ৰাশক লৌবা য়াওগদগে হায়বা অদু চুম্ব্রা লানব্রদি খঙদবা মীশক খরগী লিষ্টতি অয়াম্বনা ফংনরে। অহানবা তাঙ্ককী ওইনা ৰাশক লৌগদৌরিবশিং অসিগী মনুংদা নৌনা কেবিনেট পায়রক্কদবা মীওই খরগী মীং য়াওরি। হান্না মিনিষ্টর ওইরম্লবা মীশক্ক া অয়াম্বা ওইরবা য়ারি। অদুবু য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরদা কনা-কনাবু হাপক্কদগে হায়বা অদুমদি কনাসু খঙবা ঙম্নদ্রি। নোর্থ ইষ্টতগী কনাবু মিনিষ্টর ওইনা হাপ্পক্কদগে হায়বসি য়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি। অসামদগী শোয়দনা য়াওরবা য়াবগী থাজনবা লৈরি। মণিপুরদগী লৈঙাক অসিনা মিনিষ্টর হাপ্পক্কদ্রা হায়বা হৌজিক হায়বা ঙমদ্রি। মনুংদা কন্না তক্লবা লৈরি হায়বদি পাউচেশিংদা থেংনরে। কেবিনেট ওইনা য়াওহল্লকপা য়াবগী ৰামক্তি হৌজিক ফাওবদদি লৈত্রিবা মাল্লি। মনা-মনিল নাইনদে। প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৰাশক লৌগদৌরিবা নরেন্দ্র মোদিনা পামজবা ৰাখল্লোন্দা মমৈদা শেল্লবা লিষ্টতা চেঞ্জ তৌরকপা য়ারি। নুংঙাইরিবা অমনা লৈঙাক অসিনা এমপ্লোয়মেন্ট জেনরেসন মিনিষ্টর হায়বা অমা অনৌবা ওইনা হাপকদৌরি হায়বগী পাউ অমা লৈরি। মসিমদি য়াম্না ফবা পাউনি। মীখলদা মীওই কয়াদা থবক পীখ্রে হায়বা ৰাফম অসি লৈঙাক্কী মফমদা ওপোজিসন্না হংখিবা ৰাহংগী পাউখুম ওইনা মিনিষ্ট্রি অসি শেমগদৌরিবনি হায়না খল্লি। মসিনা থবক ফংদ্রিবা, থিরিবা নহা কয়াদা শোয়দনা কান্নবা পীরবা য়ারি।

নরেন্দ্র মোদিগী ৰাখলদা অমদি ৰাহৈদা তত্তনা হায়বা অমদি লৈরি, মদুদি - নোর্থ ইষ্ট চাওখত্তনা ইন্দিয়া চাওখৎপা য়ারোই। নোর্থ ইষ্টকী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শোত্থরিবা ষ্টেট অমা হায়বা তারবদি মণিপুর শোয়দনা ওইগনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়াগা শম্নবা ত্রেন লম্বী লৈত্রি। শেম্বদি হৌখ্রে অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি শেম্নদ্রি। ইন্দিয়াগা শম্নরিবা নেসনল হায়ৱে অনী লৈরিবা অসিগী ফীভমদি থোইনা অমুক পল্লুদ্রবসু মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তুনি। লম্বী অনী অসিদা লম্বী থোং ফত্তবগী মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনদুনা ৰারী শানরিবা লালহৌবা লূপ অমনা মরুওইনা লম্বী অসিদা চৎলিবা ত্রক অমদি অতৈ মখল খুদিংগী গাড়ীদগী লৌরিবা মখল কয়াগী টেক্স অসিদি অঙকপগী মশকনি। হৌজিকমক্কী ফীভমদা হায়বা তারবদি মণিপুর হায়বসিদি ত্রক্লা মপান্দগী পোৎ চৈ হোনজিল্লক্লগা চারিবা, শেৎলিবা অমদি য়ূম কৈ শারিবা লমনি। মসি নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তা লৈত্রবা য়াম্না মরুওইরিবা লম্বী অনী অসিদা অতৈ লালহৌলূপ কয়া অমনসু অকন-অরিং শিংদুনা ঙাইহাক লৈতনা অপনবা পীরি । অদুবু ফনা ওইদুনসু চাদবা-শেৎতবা য়াদবনা মখোয়না অপাম্বা টেক্স পীদুনা মখোয়না য়ানবা চৎলি। মসিনা নাও চাউদুনা লমদম অসিদা তামিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্কী মরক্তা নুংশিনদবা হেলহল্লক্লি। লোয়নন্না লম্বী অসিদা পোলিটিকেল গেম কয়া তৌদুনা অপুনবগী শক্তমদসু অঙকপা ফংনা শিংনরিবনি। মসি পূন্নমকশিং অসি ইন্দিয়ানসু ষ্টেটনসু লোইনা ইখঙ খঙনৈ। খঙলবসু করিসু তৌদে। লম্বী অসিদা হায়ৱে ফোর্স থমসি হায়বা ৰাফম পার্টি অয়াম্বনা পুথোক্তুনা নৈনখ্রে। হৌজিক মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবা অসিনা মমাঙথৈ ওপোজিসন ওইনা লৈরিথৈ মতমদা ৰাফম অসি অচৌবা ইস্যু অমা ওইনা পুথোক্তুনা ঙাঙখি অদুবু হৌজিক্তি মদুসু তুমিন লৈশিনখ্রে। মসি করিগীনো? কনানা ৰাফম অসিগী মায়োক্তা অথিংবা থম্বগে?

ইন্দিয়াগী অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপা অসিনা নোর্থ ইষ্টকী মনুং চন্না লৈরিবা মণিপুরনা করিগুম্বদা শান্নবদা ওইরো, কলচরদা ওইরো, সাইন্টিষ্টতা ওইরো, ইন্দিয়াগী মীংচৎ উরোং কয়া খিল্লিবা অসিগী য়েংলগা অখন্নবা মীৎয়েং অমা চঙহন্নীংই। মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা শাগনি হায়বগী ৰাফম নরেন্দ্র মোদিনা অহানবা লৈঙাক পায়রকপা থা ফাদ্রিঙৈদা লাউথোকখিবনি অদুবু হৌজিক ফাওবা য়ুনিভর্সিটি অসি শাবগী অকনবা থৌরাং অমফাওবা লৌখৎতনা লৈরিবনি। মদুগী মহুত্তা য়ু পিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অতোপ্পা মসা মরেং অমা হাংদোকপগী পাউ লৈখ্রে। ওজা ওইগদবা অমদি অতৈ ওফিসল কয়া খনখিবগী ইন্টরভিয়ুগী পাউসু তানখ্রিবা অদুনি। মসি য়াম্না নাখৈ শেংনা অথুবা মতমদা চপ চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎতুনা মপূং ফাবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবা হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা শোয়দনা থৌরাং তৌরক্কনি হায়না খল্লি। পূন্নমকশিং অসি থবক য়াঙনা চঙশিন্নবা মিনিষ্টর অমা অনৌবা লৈঙাক অসিদা য়াওহল্লবদি য়াম্না ফগনি। লোয়নন্না ইস্যু কয়ানা কোয়শিন্দুনা লৈরিবা লমদম অসিগী প্রোব্লেম কয়াশিং অসি মতম চানা লোইশিনবদা অচৌবা কান্নবা অমা ওইগনি।

লাক্কদৌরিবা অনৌবা লৈঙাক অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না অনৌবা আশা কয়া থমদুনা খোইরাংনা য়েংলি। চাওখৎ থৌরাংগী মায়কৈদা য়েংলগসু অনৌবা প্রোজেক্ট কয়া লাউথোক্লিবা অদুগী কান্নবা চপ চানা লমদম অসিগী মীয়ামদসু ফংহনবা ওইসনু। চেদা মরাং কায়না লৈরবসু মীয়ামগী খূৎতা ইরাক লাক্ত্রিবা প্রোজেক্ট অসিগী কান্নফম অমা খঙদবদৌনা লৈরিবা অসিগী মায়কৈদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। হৌখিবা মীখলদা তৌগনি হায়না লাউথোকখিবা থবকশিং মপূং ফানা তৌদে হায়না তোঙান তোঙানবা ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা মরাল শিরকখিবা অদুগী চপ চাবা পাউখুম হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা মতম চানা পীবা ওইসনু। তৌবগীবুদি মমাঙগী লৈঙাক অদুদা পাঙথোক্কে হায়নদি খল্লগা পাঙথোকখিদবা চিত্থ-নান্থহৌবা কয়া শোয়দনা লৈরম্ফম থোকই। মদুগা লোয়নন্না অনৌবা প্রোজেক্ট কয়া অমা শেমদুনা মীয়ামগী কান্নবা থবক কয়া শোয়দনা তৌরক্কনি হায়না মীয়াম্না থল্লিবা থাজবা অসি মাঙহন্দবা ওইসনু। অনৌবা লৈঙাক্কী ৰাশক লৌগদৌরিবা অসিদা নুংঙাইবা শরুক য়াজরি।

# এন বি আর আই, লক্ষনৌগী অর্সেনিকপু মাঙহনবা ঙম্বা বেক্টেরিয়া

সাইন্সকী খোঙচৎ
**কুঞ্জো নাওরেম**

অর্সেনিক হায়বসি কেন্সর ফাওবা পোকহনবা ঙম্বা ধাতুগী কাঙলূপ্তা চনবা হ্গী মগুন চেনবা ইলিমেন্ট অমনি। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না, অর্সেনিক পোইজনিং তৌরবদি খুদক্তা থোকপা ইফেক্ট ওইনা ওবা, চনীং নাবা অমসুং খোঙ হামথবনচিংবা তৌই হায়রি। অর্সেনিক্কী চাং হেন্না য়াওবা চিঞ্জাক নৎত্রগা ঈশিং মতম কুইনা থক্লকপদগী কুচু হোংলকপা, খূবাক অমসুং খোঙয়াদা অকনবা মপাক-মপাক লৈরকপা পনবা য়াই। অসিগুম্বা ফীভমশিংসি চহী মঙামুক্কী মতুংদা থেংনরকই হায়না দল্লিয়ু ঐচ ওগী ৰারেং অমদা পল্লি। মসিদগী হেন্না কুইরক্লগনা উনশাগী কেন্সর, থবোম্বী অমসুং ঈশিং খাউগী কেন্সরফাওবা পোক্লকপা য়াই হায়না মখা তারি। দাইবেটিস, পলমোনরি দিজিজ অমসুং কার্দিওভাস্কুলর দিজিজশিংসু থক্লবা ঈশিংদা য়াওবা অর্সেনিকনা পোকহনবা য়াই। চিনাগী টাইৱান প্রোভিন্সতা থোকখিবা 'ব্লেকফুট দিজিজ' সু অর্সেনিক পোইজনিংগী খুদম অমনি।

'গাইদলাইন্স ফোর দ্রিঙ্কিং ৱাটর ক্বালিটি, ৪শুবা ইদিসন, দল্লিয়ু ঐচ ও, ২০১১' গী মতুং ইন্না ঈশিং লিটর অমদা অর্সেনিক মিলিগ্রাম ০.০১দগী হেন্না য়াওরবদি খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়রি । অদুবু 'ইন্দিয়ন ষ্টেন্দর্দস ফোর দ্রিঙ্কিং ৱাটর, আই এস ১০৫০০গী অনীশুবা শেমদোকপা, ২০০৪' গী মতুং ইন্নদি ইন্দিয়াগী ওইনা ঈশিং লিটর অমদা অর্সেনিক মিলিগ্রাম ০.০৫ ফাওবা য়াওবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি। মালেমগী লৈবাক খরগী লৈনুং অমসুং কংফালদা লৈবা ঈশিংদা অর্সেনিক্কী চাং হেন্না য়াওবা থেংনৈ। অসিগুম্বা ঈশিংবু থক্ল-চানবা, মহৈ-মরোং থাবা, ইন্দষ্ট্রিদা শীজিন্নবা, চুরুট থকপা অমদি অর্সেনিক য়াওরবা চিঞ্জাক চাবনচিংবদগী মীওইবদা অর্সেনিক পোইজনিং থোকই। ইন্দিয়াগী ওইনা নোংচুপ বেঙ্গল, ঝরখণ্ড, বিহার, উত্তর প্রদেশ, অসাম, ছটিশগর অমসুং মণিপুরসি লৈনুংগী ঈশিংদা অর্সেনিক চাং হেন্না য়াওবনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিংনি হায়রি। ঙসিদগী চহী তরামরি-মঙারোমেগী মমাঙদা মণিপুরগী লৈনুংগী ঈশিংদা অর্সেনিক হেন্না য়াওরম্বা থেংনবদগী মিপাইবা পোক্লবসু লৈখি। ফেক্টরি অমসুং ইন্দষ্ট্রি চাওখৎলকপা অমসুং লৌউ-



অর্সেনিক পোইজনিংনা শোকহল্লিবা মফমশিং তাকপা লাইয়েক

শিংউদা কেমিকেলশিং য়াম্না শীজিন্নরকপসিনা কংফালগী ঈশিং মোৎশিল্লকপসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মীশিং হেনগৎলকপদগী কংফালগী ঈশিং তুংশিনফম ওইরম্বা পুখ্রিগী মশীং অঙকপা ফংনা হন্থখ্রে। অদুবু শীজিন্নগদবা ঈশিংগী চাংদি হেনগৎলকপনিনা লৈনুংগী ঈশিং শীজিন্নবা তারকই। অদু ওইবা তারগদি লৈনুংগী ঈশিংদা য়াওরিবা অর্সেনিক লৌথোক্লবা কাঙলোনশিং পুথোকপগী দরকার ওইরকই। চৈরকসিদা 'সী এস আই আর - নেসনল বোটানিকেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট (সী এস আই আর - এন বি আর আই), লক্ষনৌ' অমদি 'য়ুনিভর্সিটি ওফ লক্ষনৌ' গী থিজিল্লোয়শিংনা লৈপাক্তা য়াওবা অর্সেনিক মাঙহনবা ঙম্বা বক্টেরিয়াগী ষ্ট্রেইন খরা পুথোরকপসিমক য়াম্না শিংথানীংঙাইনি। মসিগী পাউদম অমা 'জর্নেল ওফ এপ্লাইদ মাইক্রোবাইওলোজি' দা ফোঙদোকখ্রে।

অর্সেনিক হেন্না য়াওরবা লৈনুংগী ঈশিংবু লৌউ-শিংউদা শীজিন্নবসিনা অর্সেনিকসি লৈবাক্তা তুংশিন্দুনা লৈহৌবগা লোয়নন্না মহৈ-মরোংশিংদা চঙলকই। লক্ষনৌগী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবা বেক্টেরিয়াগী ষ্ট্রেইনসি অনীখক্লি - *বেসিলস ফ্লেক্সস* অমসুং


অর্সেনিক পোইজনিং তৌবদগী ওইরকপা খুবাক্কী ফিভম

*এসিনেটোবেক্টর জুনি।* ষ্ট্রেইন অনীমক অর্সেনিক্কী চাং ৱাংনা য়াওবা লৌবুকশিংদগী লৌথোকখিবনি। থিজিল্লোয়শিংনা অর্সেনিক্কী হ্ চেনবা কম্পাউন্দশিং হায়বদি অর্সেনেট অমসুং অর্সেনাইটতা চাংয়েংশিং পাঙথোকখি। মখোয়না তোঙান তোঙানবা চাংদা অর্সেনেট অমসুং অর্সেনাইট য়াওরবা লৈপাকশিংদা বেক্টেরিয়াগী ষ্ট্রেইনশিংসি য়োক্লম্মী। অর্সেনিক্তা য়োকপদা বেক্টেরিয়াশিংনা হিংবদা অপনবা অমত্তা পীরমদে। *বেসিলস ফ্লেক্সস* অর্সেনেটকী চাংসি ঈশিং লিটর অমদা মিলিমোল ১৫০ ফাওবা য়াওবদা হিংবা ঙম্মী অদুগা *এসিনেটোবেক্টর জুনি*না অর্সেনাইটকী চাংনা ঈশিং লিটর অমদা মিলিমোল ৭০ ফাওবা য়াওবদা হিংবা ঙম্মী। মসিগী চাংসিনা হান্না পুথোকখ্রবা বেক্টেরিয়াশিংনা হিংবা ঙম্বা অর্সেনিক্কী চাংদগী হেল্লি। অদুনা মখোয়সিবু হায়পর-তোলরেন্ট ষ্ট্রেইনশিংনি হায়না শিংথারি। জীনশিং নৈনবদগী খঙবা ঙম্লকি-খবদি ষ্ট্রেইন অনীসিদা অখন্নবা জীন 'arsCgene' য়াওই। মসিদা অর্সেনিকপু মাঙহনবদা মতেং পাংশিল্লি হায়রি।

বেক্টেরিয়াগী ষ্ট্রেইন অনীসিনা অর্সেনিক মাঙহনবদা নত্তনা মহৈ-মরোংশিংবু থুনা চাও-খৎহনবদসু মতেং পাংই হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি। মখোয়না লেবতা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদগী বেক্টেরিয়া অনীমক্না ফোসফেটপু হেন্না লায়না তুমহল্লি হায়বসু খঙলকখি। মসিনা পাম্বীশিংদা ফোসফরস হেন্না ফংহন্দুনা পাম্বীশিংনা চাওখৎলকপদা মতেং পাংই। বেক্টেরিয়াগী ষ্ট্রেইন অনীসিনা 'সিদরোফোর' অমসুং 'এ সী সী (১-এমিনোসাইক্লোপ্রোপেন-১-কার্বোক্সিলেট) দিএমিনেজ' হায়রিবা এঞ্জাইমশিং শুংবা ঙম্মী। সিদরোফোরনা অমোৎপা লৈপাক-লৈহাওদা য়োৎ অমসুং অতোপ্পা মেটলগী আইওনশিংগী চাং হেনগৎহল্লি। এ সী সী দিএমিনেজ এঞ্জাইম্না পাম্বীশিংবু থুনা চাউহল্লি। বেক্টেরিয়াশিংসি অর্সেনিক য়াওরবা লৈপাক-লৈহাওদা হৌবা পাম্বীশিংগী মরাদা হিংবা ঙম্মী অদুগা দরকার ওইবা মচিঞ্জাকশিং ফংই। অদুনা মখোয়দা অর্সেনিকনা হ্ চেলহনবা ঙমদে। বেক্টেরিয়াশিংনা অর্সেনিক লৌশিল্লগা পাম্বীশিংদা হ্ চেনবগী চাং হন্থবা কেমিকেলশিংদা ওন্থোকই। অদুনা ষ্ট্রেইন অনীসি লৈপাক্তগী অর্সেনিক মাঙহনবদা য়াম্না ফবা কেন্দিদেটশিংনি হায়রি। অদুবু মখোয়না ফংলক্লিবা মহয়শিংসি পুমচুম চুম্লে হায়বা খঙনবগীদমক্তদি মখা তানা নৈনবগী মথৌ তারি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি।



স্কেনিং ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপনা লৌবা *বেসিলস ফ্লেক্সস*কী শক্তম

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।